# ইলেক্সন কাউন্টিং মার্চ ৬ তা পাঙথোক্লগনি
# মণিপুরগী সিএমনা খ্বায়দগী লাইরবা ওইরে

*থৌদাং পাউমীদগী*

*ইম্ফাল, জনুৱারী ১০:* ১০ শুবা মণিপুর বিধান সভাগী মীখল থা অসিগী ২৮ দা পাঙথোকপগা লোয়ননা মসিগী ইলেক্সন কাউন্টিংনা মার্চ ৪ দা তৌগনি হায়না তৌরম্বদু মার্চ ৬ তা ওইনা পাঙথোক্লগনি হায়না ইলেক্সন কম্মিসন ওফ ইন্দিয়ানা ঙসি লাওথোকখ্রে।

মণিপুর য়াওনা গোৱা, উত্তর প্রদেশ, উত্তরখান্দ, পঞ্জাবকী ইলেক্সন কাউন্টিং মার্চ ৪ দা পুন্না পাঙথোক্কনি হায়না তৌরম্বনি। অদুম ওইনমক গোৱা য়াওনা উত্তর প্রদেশকী অহানবা ফেজগী ওইনা এসেমব্লি সিট ৬০গী মীখল মার্চ ৩দা পাঙথোক্কদবা লৈবনা মার্চ ৬ তা ওইনা ঙসি ইলেক্সন কম্মিসন্না কাউন্টিংগী মতম য়েথোকখিবনি।

অমরোমদনা মীখল পাঙথোক্কদৌরিবা ষ্টেট মঙাগী চিফ মিনিষ্টরশিংগী মরক্তা উত্তর প্রদেশকী চিফ মিনিষ্টরময়াৱাটিনা খ্বাইদগী হেন্না এসেট লৈবা চিফ মিনিষ্টর ওইরে। অদুগা মণিপুরগী চিফ মিনিষ্টর শ্রী ও ইবোবীনা খ্বায়দগী লাইরবা চিফ মিনিষ্টর ওইরে।

ইলেক্সন কম্মিসন্দা সবমিট তৌরকখিবা এফিদেভিটশিং অদুদগী এসোসিয়েসন ফোর দিমোক্রেটিক রিফোর্মস (এ দি আর )না কলেক্সন তৌবা রিপোর্টকী মতুংইন্না উত্তর প্রদেশকী চিফ মিনিষ্টরগী এসেট অসি লুপা ক্রোর ৮৭.২৭নি। চিফ মিনিষ্টর ময়াৱাটিগী লৈরিবা এসেটশিংগী মনুংদা ক্রোর ৭৪ রোমদি ইমোভেবল প্রোপর্টিশিংনি।

পঞ্জাবকী চিফ মিনিষ্টর অদুগা সিরোমনি অকালি দলগী লুচিংবা অমসু ওইরিবা প্রকাশ সিংহ বদলগী এসেট লুপা ক্রোর ৯.২, গোৱাগী চিফ মিনিষ্টর দিগমবর কমটনা লুপা ক্রোর ৩.২৩ ওইরি। অদুগা মণিপুরগী চিফ মিনিষ্টর শ্রী ও ওক্রম ইবোবীনা মহাক্কী এফিদেভিটদা শুপ্নগী লুপা লাক্ষ ৬.০৯ খক্তগী এসেট লৈ হায়না রিপোর্ট তৌরি। অদুম ওইনমক মীখল অসিগীদমক ইলেক্সন এক্সপেন্দিচরদি লুপা লাক্ষ ৮ ওইবনা সিএমগী লন থুম অসি ইলেক্সন এক্সপেন্দিচরনা হেন্না ৱাংলি।

মণিপুর, পঞ্জাব, গোৱা, উত্তর প্রদেশ অমসুং উত্তরখান্দগী মীখল পাঙথোক্কদৌরিবা ষ্টেটশিং অসিদা মীরেপ ওইগদৌরিবা মিনিষ্টরশিংগী এফিদেভিটশিং অদুদগী এসোসিয়েসন ফোর দিমোক্রেটিক রির্ফোমসনা কলেক্সন তৌবা রিপোর্টকী মতুংইন্নদি পঞ্জাবকী ওইনা সিটিং মিনিষ্টর চাদা ৮৩ দি ক্রোরপতি ঙাক্তা ওইরি। অদুগা গোৱানা সিটিং মিনিষ্টরগী চাদা ৬৭ অদুগা উত্তর প্রদেশনা চাদা ৩৭ দি ক্রোরপতি ওইরি। উত্তর প্রদেশকী ওইনদি লৈরিবা মিনিষ্টরগী চাদা ৪২ দি ক্রিমিনেল কেসশিং চেন্নবা ঙাক্তনি। মসিগী মনুংদা ৩০ অমদি খ্বাইদগী শাথিবা ক্রিমিনেল কেসশিং চৈন্নে।

ষ্টেট মঙা অসিগী ওইনা হৌখিবা তার্মগী এসেমব্লিদা উত্তরখান্দগী ওইনদি চাদা ৯১, পঞ্জাবনা চাদা ৭১, মণিপুরদা চাদা ৬৫ অদুগা উত্তর প্রদেশকীনা চাদা ২০ খক্তমক এমএলএ / মিনিষ্টরশিংনা পার্টিসিপেট তৌখি হায়রি।